ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)





ইন্দিয়াগী অহানবা নেশনল কো-ওপরেটিভ য়ুনিভর্সিটি ওইরিবা গুজরাটকী ত্রিভুবন সহকারি য়ুনিভর্সিটিগী গভর্নিং বোর্দকী মেম্বর মরি খনবদা য়াওল্লবী জিনা পোৎশংবমবু মণিপুর প্রাইমারি এগ্রিকলচরেল ক্রেদিট সোসাইটিনা তরাম্না ওকখিবা


থম্মোয় পাউদম : পূন্সি মশক খঙবা হৌরকপা - ৫ ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ মীওইবনা চহী ৪০ অমসুং ৬০ শুরল্লবদি খোঙজেল ...

'মণিপুরবু অমম্বা তাঙ্কক অমদা থম্বীরি' ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ জীনা পোৎশংবমবু ইন্দিয়াগী অহানবা নেশনল ...

টারিফ হেনগৎহনগনি হায়না ত্রম্পনা অমুক্কসু ইন্দিয়াদা... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ ক্লব ফ্রেন্দলিসঃ লিভরপুলনা এঠলেটিক ক্লবপু...


তাকয়েল পাৎতা লৈবা মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি (এম টি য়ু) গী ১০শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা গভর্ণর এ কে ভল্লাদা মহৈকোল অসিগী মায়কৈদগী খুদোল তমদুনা ইকায়খুম্নখিবা




Vol. 49, Issue No. 127 | য়ুমশকৈশা, থৱানগী ১২নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, August 06, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থম্লক্লিবা এসেমব্লিগী এম এল এশিংনা লৈঙাক শেমহল্লক্লগনি হায়বা ৱাফম মখা তানা হায়রকখিগদ্রা

# মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল থা ৬ শাংদোকহনবদা রাজ্য সভানা চরাংনবা মরক্তা অয়াবা পীখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস) :** ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫গী নুংথিল পুং ৪.৪৫ রোম তারকপদা গভর্ণরদা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিন্দ্রিবা ফাওবা লৈরমখিবা মণিপুর লৈঙাক লুচিংখিবা পার্টিগী এম এল এশিং য়াওনা লৈঙাক অদুবু হৌরকপদগী শৌগৎলল্লক্লগা লমখাংদা শৌগৎত্রে হায়খিবা পার্টি অমগী এম এল এ অমা য়াওনা পোলিটিকেল পার্টি খরগী এলাইএন্সনি হায়বা অমগী মীহুৎ অমনসু বাবুপড়াদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা চৎলিবা থা অসিগী অহানবা চয়োল ফাওবগী মনুংদা ষ্টেট অসিদা মীয়ামগী লৈঙাক অমুক হন্না শেমহল্লক্লগনি হায়খ্রবসু ঙসি রাজ্য সভাদা চরাংনবা মরক্তা মণিপুরদা চলাইরল্লিবা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাকপু অতোপ্পা থা ৬ অমগী মতমগা অমুক হন্না শাংদোকহনবদা অয়াবা পীবিনবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না পুখৎলকখিবা ৱাফম্বু সভানা অয়াবা পীখ্রবনিনা মখা তানা সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থম্লক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী এম এল এশিংনা লৈঙাক শেমহল্লক্লগনি হায়বা ৱাফমশিং মখা তানা ফোঙদোক্লরকখিগদ্রা।

থা অসিগী ২১দগী হৌদুনা চথরল্লিবা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমগী মাঙওইননা বি জে পিগী নেশনল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জে পি নদ্দানা চেয়র লৌদুনা পোলিটিকেল পার্টি ৪০গী মীহুৎ ৫৪না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফমদা মণিপুরগী পি আর লৈঙাক শাংদোকহন্নবা ৱাফম নোংজু মীফম অসিদা শোয়দনা পুথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

মীফম অসিদা জে পি নদ্দানা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না অহানবা ওইনা লোক সভাদা ৱাফম অসি পুথোরকপদা সভা অসিনা অয়াবা পীখ্রবনি। অদুবু রুলগী মতুংইন্না রাজ্য সভাদসু পুথোক্তুনা অয়াবা লৌবগী তঙাইফদবা লৈবদগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী মায়কৈদগী হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা থেঙ্খাং অনীরক্তা ৱাফম অসি পুথোক্লবা রাজ্য সভাগী 'লিষ্ট ওফ বিজিনেস' দা ফাওবা হাপখিবনি। অদুবু বিহারদা চথরল্লিবা স্পেশল ইন্টেন্সিভ রিভিজন (এস আই আর) গী য়াওনা ইস্যু খরদা ওপোজিশননা সভাদা প্রোটেষ্ট তৌরকপদগী বিজিনেসতা য়াওরবসু পুথোকপা ঙম্লক্তবনি। অদুবু ঙসি মিনিষ্ট্রি অসিগী ষ্টেট মিনিষ্টর নিত্যাইন্দ রায়না মণিপুরদা চৎনহল্লক্লিবা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক অসি থা অসিগী ১৩দগী হৌরদুনা মখা



তানা থা তরুক্কী মতম শাংদোকহনবদা সভানা অয়াবা পীবিয়ু হায়বা ৱাফম পুখৎলকখি।

ঙসিগী ওইনা মহৌশাগুম্না রাজ্য সভাগী মীফম অয়ুক পুং ১১দগী হৌখ্রবসু বিহারদা চথরিবা এস আই আরগী মতাংদা হাউসনা খন্নসি হায়বা য়াওনা ইস্যু খরদা ওপোজিশননা প্রোটেষ্ট তৌরকপদগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা এদজোর্ন তৌখি। অদুবু এদজোর্ন তৌখিবা মতম লোইরদুনা সভাগী মীফম অমুক হৌরকপদা ষ্টেট মিনিষ্টর অসিনা মণিপুরদা পি আর লৈঙাক শাংদোকহনবগী ৱাফমদা অয়াবা পীবিনবা পুখৎলকপদগী সভাদা চরাংনবা মখা চথখ্রবসু ভোইস ভোটতা পাস তৌদুনা অয়াবা পীখিবনি। ৱাফম অসি পুখৎলদুনা ষ্টেট মিনিষ্টর নিত্যাইন্দ রায়না সভাদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসি হায় কোর্টনা রিজার্ভেশনগা মরী লৈনবা ওর্দর অমা

#### অমিট শাহনা মণিপুরগী ঈরাং অসি কাঙলূপ মশেলগীনি হায়রবসু পি আর শাংদোকহন্নবা পুখৎলকখিবা ষ্টেট মিনিষ্টর নিত্যাইন্দ রায়নদি কম্যুনেলনি হায়খিবশিংদু অরানবনি হায়খ্রে

পীরুবদগীনি অমসুং লাইনীংগী ওইবা ৱাথোক নত্তে হায়বগা লোয়ননা মণিপুরগী ঈরাং অসিবু 'কম্যুনেল' নি হায়না ফোঙদোক্লরকখিবশিং অদু অরানবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মতাংসিদা নীংশিংবা য়াবদি, চহী অনী হেল্লক্লবা মণিপুরগী ঈরাং অসিগী হৌরকফমশিং য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা তোঙান-তোঙান্না ফোঙদোক্লখিবশিংগী মনুংদা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ৱাথোক অসি ফুরুপ অনীগী মরক্তা থোকপনি অমসুং টেররিষ্টকী থৌওংশিং নত্তে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মণিপুরদা পি আরগী লৈঙাক শাংদোকহন্নবা ৱাফম ষ্টেট মিনিষ্টর অসিনা হেক পুখৎলকখিবগা সভাবু প্রিসাইদ তৌখিবা দেপ্যুটি চ্যেরপর্সন হরিবন্সনা পুখৎলক্লিবা ৱাফম অসিগী সভানা ৱারেপ লৌনবগীদমক পুখৎলকপা 'কন্সটিট্যুশনেল ওব্লিগেশন' অমনি হায়না ফাওবা ফোঙদোকখি।

অদুগা ৱাফম অসি পুখৎলকখিবা ষ্টেট মিনিষ্টর অসিগী মায়কৈদগীনা সভাদা চরাংনরকখিবা ওপোজিশন মেম্বরশিংবু লুচিংলিবা কোংগ্রেস এম পি জয়রাম রামেসতা ওনশিল্লদুনা হাউস অসিদা বিজিনেস অমত্তা চথবা ঙমদ্রে হায়রদুনা মণিপুরদা হৌজিক 'এদমিনিষ্ট্রেটিভ ভেকম' অমা লৈরিবনিনা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক অসি শাংদোকহনবগী মথৌ তাই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি। অদুগা প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লকপদগী হৌখিবা থা খরসিদা মীশি-মীনা থোকপগী পাউ লৈতে। অমরোমদা, হোম মিনিষ্ট্রিনা সী এস ও অমদি সিক্যুরিটি এজেন্সীশিংগা মীফম পাঙথোক্লে অমসুং মণিপুরদা শীংথানীংঙাই ওইবা মওংদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

মণিপুরদা পি আর শাংদোকহনবদা রাজ্য সভানা অয়াবা পীবিনবা হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী পুখৎলকখিবা ৱাফম ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

---

### ঙসিদগী কৈরাও বিত্র সব দিভিজনগী টুলিহল সর্কলদা ইভিক্সন চথরগনি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস):** ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা মমাঙ থাগী ২০দা থোকখিবা নোটিসকী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কৈরাও বিত্রগী সব দিভিজনেল ওফিসরনা দেপ্যুটি কম্মিস্নরদা ঙরাং ইখিবা চেরোল অমদা হয়েংদগী হৌরদুনা কৈরাও বিত্র সব দিভিজনগী টুলিহল সর্কলগী মখাদা লৈবা নেশনল হায়ৱে/ষ্টেট হায়ৱে, ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট/ইন্টর ভিলেজ রোদশিং অমসুং ফুট পাঠশিংদা দুকান্নচিংবা ফমজিনবা য়াওনা অয়াবা য়াওদনা নুঙ-লৈঙোই, য়ুম শানবা পোৎলমশিং অমদি অমোৎ অকায়নচিংবা পৈশিনবশিংগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

### মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিগী রেগ্যুলর ভি সী হাপ্পবা হোৎনরি : গভর্ণর

#### তাকয়েল পাৎতা লৈবা মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিগী ১০শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস) :** ইম্ফালগী তাকয়েল পাৎতা লৈবা মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি (এম টি য়ু) গী ভাইস চান্সেল্লরগী ফম কোর্টকী চয়েৎনবা খরা লৈবদগী হাঙদুনা লৈরক্লি অদুবু চয়েৎনবা অসি লোইশিন্দুনা মহৈকোল অসিগী রেগ্যুলর ভি সী অমা হাপ্পবা হোৎনরি হায়না গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি তাকয়েল পাৎকী গভর্ণমেন্ট পোলিটেক্নিক কেম্পসতা লৈবা মসিগী হোলদা 'এ দিকেদ ওফ এক্সিলেন্স-জর্নি ওফ এম টি য়ু' হায়বা পান্দমদা পাঙথোকখিবা মহৈকোল অসিগী ১০রক শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইরদুনা গভর্ণরনা ফোঙদোকখিবনি।

গভর্ণরনা শরুক য়াখিবা থৌরম ওইবদগী ঙসিগী মহৈকোল অসিগী থৌরম অদু নেশনল অমসুং ষ্টেট



এন্থেম শক্তুনা হৌদোকখি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### আর্ম স্মগ্লর ২ ফারে, নোংমৈ ফংলে : পুলিস

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা ওপরেট তৌবা অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেশনশিং অমসুং লৈঙাক্লা লোনা য়াদবা থবকশিং তৌবনি হায়বা মীওইশিংগী মথক্তা চথরকপা অকনবা ওপরেশনশিংগা মরী লৈননা পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙরাং সিক্যুরিটি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী নোংমৈ পুশিল্লকপা অমসুং লোনা য়াদবা মওংদা য়োনবগী থবক্তা চেন্নবা মীওই অনী ফারে হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না ফারবশিংদি লল্লাই পি এসকী মনুং চনবা হুইদ্রোম অৱাং লৈকায়দগী নিঙোম্বম অবুং এলিয়জ ইবোমচা (৫০) অমসুং শগোলমাং পি এসকী মনুং চনবা কৈবি খুল্লেন মখা লৈকায়দগী নিংথৌজম কোনুংজাও (৩৩)নি হায়রি।

এন অবুংনা পৌরাবি হিদুন্বীদগী ফাবনি অদুগা এন কোনুংজাওনা মহাক্কী ময়ূমদগী ফাবনি হায়রি। মখোয়দগী ৯ এম এম পিষ্টোল অমা, মেগজিন অমা, মরূ অনী, স্কুটর ভেস্পা অমা, মোবাইল ফোন অনী অমসুং আধার কার্দ অমা ফংলে হায়রি।




### এন কিরটিচান্দবু সেক্রেটরি (জুদিশল) ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস) :** বিষ্ণু পুরগী দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেশন্স জজ ওইরকখিবা মণিপুর জুদিশল সর্ভিসকী গ্রেদ ৱান ওফিসর নোংথোম্বম কিরটিচান্দবু লৈঙাক্কী লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফ্যেরস দিপার্টমেন্টকী জুদিশল দিভিজনগী সেক্রেটরি (জুদিশল) ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখ্রে। মসিগী মতাংদা থা অসিগী ১দা দি পিনা ওর্দর অমা থোকখ্রে হায়রি।



ফম অসি মহাক্লা দেপ্যুটেশন বেসিসতা পুগদবনি অদুবু দেপ্যুটেশন অসিগী টর্মস এন্দ কন্দিশনশিংদি তোঙান্না খঙহল্লক্কনি হায়রি।

### দিসএবিলিটিশিংদা আর বি আই/আই বি এগী দিরেক্সন ঙাক্লা চত্তবগী মায়োক্তা সুও মোটু কেস লৌখৎখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস):** ইম্ফালগী সেকেন্দ এম আর গেট মনাক্তা লৈরিবা ষ্টেট কম্মিস্নর ফোর পর্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিজ মণিপুরনা থা অসিগী ১দা থোকপা নোটিফিকেশন অমদা মণিপুরদা ওপরেট তৌরিবা বেঙ্কশিংগী এসেসিবিলিটিগা মরী লৈননা সুও মোটু কেস নম্বর ৭ ওফ ২০২৫ লৌখৎলে হায়রি। মরম অসিনা বেঙ্কশিংনা আর বি আই/আই বি এনা পীরিবা এসেসিবিলিটি নোর্মসগী মতুংইন্না মখা তানা পন্থহন্দনা পর্সন্স ৱিথ দিসএবিলিটিশিংদা মপূং ফানা ফিজিকেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর, দিজিটেল প্লেটফোর্মনচিংবা বেঙ্ককী সর্ভিসশিং ফংহনগদবনি হায়রি।

### শীংজমৈ থোংখোঙদা ফত্ত-হৌদিশিং থাদরকপদগী লায়না কয়া পোক্লক্কদ্রা মীপাইনরে

বিজয় লাইশ্রম

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুরবু তরু-তনানবা অমসুং অমোৎ-অকাই লৈতবা ষ্টেট অমা ওইহন্নবগীদমক লৈঙাক্কী ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ লোয়শঙ, মণিপুর পোল্যুশন কন্ট্রোল বোর্দ (এম পি সী বি) অমদি ৱাটর রিছোর্সেস লোয়শঙনচিংবনা অকনবা থবকশিং লৌখৎলকপদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা পোৎ চৈশিং হাপ্লকখিবা প্লাষ্টিকশিংবু মফম চাদনা হুন্দোকপগী মহুত্তা নীংথিজনা থম্লগা লৌথোক্তুনা রি-সাইক্লিং তৌনবগী থবক ফাওবা পায়খৎলক্লিঙৈ চৈরক্তা নোংমদা মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না লাম্থোক-লানশিন তৌনরিবা শীংজমৈগী অমনবা অমসুং অনৌবা থোং অনীগী কারক্তা প্লাষ্টিক য়াওনা ফত্ত-হৌদিশিং থাদনরকপদগী মফম অসিদগী মখল কয়াগী লায়না পোক্লক্কদ্রা হায়বগী মীপাইবা পোক্লরক্লে।



ইম্ফাল তুরেলগী মথক্তা চহী খরগী মমাঙদগী লৈরকখিবা হান্নগী শীংজমৈ থোং অদু মতমগা চুনবা ৱাংলকপদগী লৈঙাক্লা খরা হেন্না পাক-চাউবা অচৌবা থোং অমমুক শাদুনা হৌজিক মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌনরিবনি। অদুবু থোং অমনবা অমসুং অহনবা অনীগী কারক্তা প্লাষ্টিক য়াওনা ফত্ত-হৌদিশিং লেপ্তুনা থাদনরকপদগী নোং চুরকপা মতমদা পোৎলমশিং অসিগী মচুমশিং ইম্ফাল তুরেলদা তাশিল্লি। ...মখা লমায় ৮ কলম ৩

### বোর্দর ফেন্সিংগী থবক করম থোক্লগবা শম্বলগী য়োৎকী মখোঙশিং ককথৎলগা হুরানখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস) :** চহী খরগী মমাঙদগী হৌরকখ্রবসু হৌজিক য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা মরু ওইনা মণিপুরগা তাইনবা ম্যান্মারগী বোর্দরদা শম্বল খানবা অকনবা থবক চথরল্লিঙৈগী চৈরক্তা মোরে পি এসতগী খা নোংপোক্তা কিলোমিটর ২ রোম লাপ্পরিবা বোর্দর পিল্লর নম্বর ৭৭ অমদি ৭৮গী লোন্নবদা শম্বল খানবা য়ুংবা য়োৎকী মখোঙ ১৫ শকখণ্ডবশিংনা ককথৎলগা হুরানখ্রে হায়রি।



য়োৎ হুরানখ্রিবা মফম অদুগী মথক ওইরপ্পা চীংথক্তা এ আরগী পোষ্ট অমসু লৈরিবনি। অদুগা মফম অসিমক ম্যান্মারদগী মীওইশিংনা য়াম্না তোয়না ফাওদোক ফাওজিন তৌরিবা মফমনি হায়রি।

অদুম ওইনমক বোর্দর ফেন্সিংগী য়োৎকী মখোঙ ১৫বু থা অসিগী ২গী অহিং নোংয়াইদা মীওই খরনা মতৌ করম্না ককথৎলগা হুরানবা ঙমখ্রিবনো হংনরক্লি। থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী ঙরাং মোরে পুলিসনা চঙশিন্দুনা য়েংশিনখ্রে। অদুম ওইনমক হুরানখিবা য়োৎশিংদুদি ফংবা ঙমখিদ্রি।

### জপানিজ এন্সেফেলাইটিসনা নুপামচা অমা লৈখিদ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ইষ্টকী ফক্কুং অৱাং লৈকায়দগী মশাগী চহী ১৫ রোমদা শুরিবা খুন্দোংবম ইলান অপোকপা কে ঐচ ইবোমচা কৌবা নুপামচা অমা জপানিজ এন্সেফেলাইটিস নারকপদগী লায়কন্নবদা কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ফক্কুং সোশল য়ুথস ক্লবকী সেক্রেটরি জেনরেল এল প্রিয়োজিৎনা থোরকপা চেরোল অমদা থৌদোক অসি থোকখিবগা লোয়ননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা নোংমগী ওইবা ফোগিং প্রোগ্রাম অমা ক্লব অসিনা পি ঐচ এ এল ৱাই দি এগা খূৎশম্নদুনা ভেক্টর বোর্ন কন্ট্রোল প্রোগ্রাম ইম্ফাল ইষ্টকা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

নুপামচা অসি লৈখিদবগী মতাংদা নুপামচা অসিগী অপোকপা কে ঐচ ইবোমচাগী মনাওনুপা অমনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা নুপামচা অসি মমাঙ থাগী অরোইবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা অরুম লাইহৌ তৌরকপদগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### 'ইশাগী চহী ৮৪ শুজিল্লক্তুনা মাঙগী লম্বী খূৎনা লাম্বা ফংজিল্লক্লবা ঐহাক্লা ইচা-ইশুশিংগা অমুক হন্না লৈমিন্নবা ফংখিগদ্রা'

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
হকথেংনবা পাউদম
তোর্বুং বাংলাদগী খুঞ্জা

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী কুকি-জো টেররিষ্টশিংনা মণিপুরদগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন লৌগনি হায়দুনা ষ্টেট অসিগী চহী লিশীং ৩ হেনবগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লৈরল্লিবা মীতৈ ফুরুপ্তা ওনশিন্দুনা তমথীরবা লান চথরকপদগী থৱায় হিংনবগীদমক লাঞ্জেল্লক্তুনা হৌজিক চহী ২ হেক্তে দারক্লবা ফাওবদা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরল্লিবা নুপী-অঙাং, মহৈরোয়শিং য়াওনা মীওই কয়াগা হকথেংননা উন্দুনা মখোয়না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং খঙদোকপগা লোয়ননা মখোয়গী পূক্নিং ৱাখলদা হুল্লিবা ইহুলশিং খঙদোক্তুনা মীয়ামদা লেপ্তুনা পাউদল্লকপগী মখা তারকপদা



লান হৌরকখিবা অহানবা মফমশিং ওইরিবা তোর্বুং বাংলাগা নক্লরিবা ৱাথ লম্বেলগী চীংখোঙ-চীংয়াদা খুন্দাদুনা লৈজরম্বদগী থৱায় হিংনবগীদমক লাঞ্জেল্লক্তুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নিংথৌখোংদা লৈবা মাঙ্গোলঙানবী কোলেজদা হাংবা 'রিলিফ কেম্প ওন প্রজেন্ট সিচুএশন'দা চঙজফম লৌরল্লিবী মশাগী চহী ৮৪ শুরবী ঐচ লৈরেনতোম্বীনা পাউচে অসিদা হায়, য়ুমদা লৈরিঙৈদদি নুমিৎ খুদিংগী অহাওবা চাবা ঙমদ্রবসু অদুগা চরা নাম্মতা চারবসু ইমুংগী মীওই পূন্নমক্লা পূন্না লৈমিন্নদুনা চামিন-থকমিন্নরকখিবনি। হৌজিক ইশাগী চহী ৮৪ শুজিল্লক্তুনা মাঙগী লম্বী খূৎনা লাম্বা ফংলক্লবা ঐখোয়দি য়ূমদা লৈরিঙৈগী নুংঙাইবা অদু অমুক হন্না ফংগনি থাজদ্রে। ঐখোয়না রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবসি চহী অনী হেঞ্জিল্লক্লে। শোল্লবা ঐনা রিলিফ কেম্প অসিদা ইচা-ইশুশিংগা পূন্না হরাও-হরাও চাক চরা অমা ফাওবা চামিন্নবা ফংলক্তবা কুইরক্লে। হৌজিক্তি ঙম্ন-ঙম্নবা লাঞ্জেন্নরকপা নুমিৎতগী তোখায়-তোখায় চেন্নখিবনা অমত্তা ওইনা লৈমিন্নবা ফংদ্রি। (মথং-মথং)

### আই পি এস ওফিসর ৪ পুলিস ষ্টেশন ৪গী এস দি পি ও ওইনা ট্রান্সফর তৌখ্রে

#### উখ্রুলগী এস পিনা কামজোং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসসু য়েংশিল্লগনি, এম পি এস ওফিসর ৩৩গী ফমশিং হোংদোক্লহনখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস) :** ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী মণিপুরদা চৎনহল্লক্লিবা প্রসিদেন্টস রুল লৈঙাক্কী অহানবা থা ৬কী মতম থা অসিগী ১২দা লোইরগদবগী মাঙওইননা ঙসি রাজ্য সভাদা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক অসি অতোপ্পা থা ৬ অমগা শাংদোকহন্নবগী অয়াবা পীখিবা নুমিৎমক্তদা চীফ সেক্রেটরি পুনিট কুমার গোয়লনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমদা আই পি এস ওফিসর ৪বু পুলিস ষ্টেশন মরিদা সব-দিভিজনেল পুলিস ওফিসর (এস দি পি ও) ওইনা ট্রান্সফর তৌদুনা পোষ্টিং পীখ্রে।

ওর্দর অসিগী মতুংইন্না এস দি পি ওশিং ওইনা ট্রান্সফর তৌখিবা ওফিসরশিং অসিনা ফম অসি পুরগদবা মফমশিংনা দিবিয়া-এস দি পি ও (য়াইরিপোক), চৈতন্যা-এস দি পি ও (মোইরাং), দিক্সা লাংথানশা-এস দি পি ও (শীংজমৈ), জে বরাঙ্গে -এস দি পি ও (চুড়াচান্দপুর) নি হায়রি।

আই পি এস ওফিসরশিং অসি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### ললিট কলা একাদেমি এৱার্দ-২০২৪-২৫ পীনবা মীওই ২০ খনগৎপদা পুখ্রম্বম প্রেমচন্দ্র য়াওরক্লে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৫ (ঐচএনএস) :** ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরনা লৈবাক অসিগী থোইদোক হেন্দোক্লা আর্টকী লম্দা শক্লাইরবশিংদা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা পীবা ললিট কলা একাদেমি এৱার্দ-২০২৪-২৫ পীননবা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী মীওই ২০ খনগৎপদা মণিপুরগী ওইনা ককচীং নিংথৌ লৈকায়দগী পুখ্রম্বম প্রেমচন্দ্র য়াওরক্লে।



এৱার্দ অসি ফংলগদবা পি প্রেমচন্দ্রনা ললিট কলা একাদেমিনা শীন্দুনা ন্যু দেল্লীগী রবিন্দ্র ভবনদা ঙসিদগী 'মেদ মি চেঞ্জ' হায়বা পান্দমদা হৌখিবা ৬৪শুবা নেশনল এগজিভিশন ওফ আর্টতা থোইদোক হেন্দোকপা স্কল্পচর উৎলি। মহাক মার্চ ২, ১৯৮৭তা ককচীং নিংথৌ লৈকায়দা পোকখিবনি। মহাক্কী অপোকপা অমসুং অপোকপীগী মিংনা পি ইন্দ্রজিৎ অমদি পুখ্রম্বম ওংবী তবাবী কৌই। মহাক মচিন মনাওশিংগী মনুংদা অহুমশুবা মচানি। মহাক্কী মথক্তা ময়াম্বা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫